চেঙনী পুতাই

চেঙনী - খুজাই

ডিঃ সিঃ ঠাকুর

নভেম্বর ১৯৮৯



কোংজব :
সোসাইটি থিয়েটর, মণিপুর
সগোলবন্দ, ইম্ফাল।

অহানবা নম্বা : জুন, ১৯৭২।
কোপী মশীং:— ১১০০।

মমল:— রুপা অহুম মথাই।

ছাপা তৌব :
পেরেডাইজ পব্লিশিং হাউস,
পাওনা বাজার, ইম্ফাল।

শাইয়েকপ:— ঐচ: মংলেম সিংহ
ব্লোক শাবা:— (অথুম) চিত্রেশ্বর শর্মা
(অনৌবা) তোম্বা সিংহ

শেল তান্নব শান্নবিগে হায়রবদি
অইবগ হান্ন উনবিম্মু।

স্বত্ব পৃম্নমক অইবগিনী।

ফংকম:

অইবগি য়ুমদ অমস্থং ইম্ফালাগ লাইব্রিক
য়োনবা তুকানশিংদ ফংবিগনি।

লীলাদ উংকদব সীন

১। পীথোকশঙ্ক :

চেং ফি থম্ব গুদাম, মপান্দ মেজ চৌকি, কৈকোব....লম্পাক মচা....শম্বন চেংন খাব

২। শঙ্গাকুং :

নাপী ছোব লক্সাং, মরক্ত উ ২/৩, নৈপুং ১ অরাম্বদ চীং, অতিয়া.... (শা-সন, শগোল-হামেং, শজি ....চারি)

৩। লাইরবগি সঙ্গোন নোংখুব মরাম :


মীন নৈনব, ফক, ফি, কমুং শেগাইব, কাল চৌকি অতেক-অকায়ব, মীশিংগি (ফিজেৎ চাকচা চাকনীবগি কিজেৎন অমরাম্ব)

৪। চীংয়া গুরুং :

জঙ্গল, লম্বী মচা ও উই, ...কৈ, ওক, লম-হুই, শজি...নৈব মতো...তাম্বুর খর....

চেঙনী-খুজাই

অহানব মতাং।



A : গুন্‌'ম শঙুবগি বাঙ্গলা — দোতালা ওইন তৌব।

B : মীত্রাঙ্ভিশং ই-ন কুপ্প। খঙনবন কম্লব।

C : চাক'নিবশিংগি লেপক্কম, ভাইভম।

D : পীথোক-শঙ।

E : মপানগি মীন কুম্মৈ য়েংভম।

→ : লম্বী চংকম তাকপ।

(A) দোতালা মথক ; টেবিল ১, চৌকি ২/৩ কজন থারি ; টেলিফোন, রেডিও টেবিলদ লৈব উই। (B) চৌকি মচা অপৈব অনী অহুম থারি।

A দা ফেৎলি : "চাক ইল্লকপ খুৎত চিঙ্কনু।" মথেক চাউন ইরগ। B দা থেৎলি : "মাঙ্গৎলা মাউৎলা ?" C দা থেৎলিবন : 'যুমশাদি চাব ব্লাৎতে।" E দা থেৎলিবন : খল্লগ খঙবনি।"

বৈষ্ণবপুরগি পীথোকশঙদনি, মতম্ন অয়ুক পুং ৮॥০ তাবদ।

'A' দা কাণ্ডবোই শেৎপ, টুপি উপ্প, নেকটাই হাপ্প, টেনিস বুট তোংব দেবংত চৌকিদ ফম্মগ চে থর পাম্বি। মনাক্ত শাজৈ লৈ, কোঙ্গোইপানব থোরী ২থক থম্মি য়ান্দুনু।

'C' দা তথেলশা, থবাক্ত শামু য়েকপ লিৎপ, ইরোইথরোবী, থবাক্ত ইরোই য়েকপ লিৎপী, অমমুং হৌদোংমু—দুরিৎত হৌদোং য়েকপ ... ... মথং মথং লাকই। কোইন য়েংই, মুরুম মুরুম মংখোল থোক্তন বারী শায়, মথুৎন থিংম্ন— A, B, D দা, লোম্ন তাক্লে। বা ওহাক তানরগ, ইল্লিন্দুন

...াই :— য়াং, (থর হোন) য়াং ! [A দা] (তাবিত্রবদ হৌদোংদ ইঙ্গিৎ)

...োং :— (তপ্প কে·ন) ঙ্যাও ! (হোন য়াক্ল) ঙ্যাও। (ভাদবদগি শামুদ ইঙ্গিৎ, দেবদূতন মথাদ য়েংই)

[illegible]ওঃ ......! (হোন) ওঃ ......! (অতৈম্বু য়াং। ঙ্যাও [illegible] মতুং[illegible])

দেবদূত পিস্তোল শৎলগ কোয়ন য়েংই ইগুক গুরু, থক্লি কদায়দগি শা ময়ায়ো— মখোয় অহুমহু তুমিন তুমিন্ন লৈমিন্নি। দুরবিন মচা ১ পায়রগ য়েংই কোয়ন, উদত্তুন অমুক কমথখি - চে য়েংল্লুন। মখোয় অহুমহু অমুক পূগ্ন থোংই। দেবদূতন উরগ গুকই, হুইশল থোংই। ব্রেকৌন পুলিশকি ফিজেৎত বেঙ্গুল অম য়ান, বাকবোক অম পায় ফিংন থোরকই, দেবদূততা সেলুট তোরে। দেবদূতন শাজৈ, অমদি থোরৌ পায়রগ কুমথরক পুলিশ পুরগ অহুমহুগি মনাক্ত চৎলি, পুলিশন বাকবোক্ত, বাক বাক লাওহন্দুন চংই চেকশিন্ন, ঙুং ঙুং ঙংই হুইগুম।

মখোয় অহুম রুমাল অজোং-
বহু বাংন হায়, মখুৎ থাঙ্গৎতুন অতেবাগ মতো তোই। দেবদূতন মগুক হাই, মপুঙ্‌ থাদহান্নি। ব্রেকৌন মশা চেক তোই।

দেবদূত :— (মরোল থোইরপ) নখোয় কনা কনা ওইবিরে?
Who are you?
(অহুমহুন মথবাক্ত বেজ নত্রগ য়েকইবনু উহল্লি)
নখোয় কিদায় কিদায়দগি লাকইব ওইরে?

তখেলশাঃ— যুমদগি লাকপনি। (দেবদূত্র মগুক হাইব উবদ)

হৌদোংমুঃ— পৃথিবীদগি লাকপনি।

ইরোই :— (পেন্দব উবদ) ইমাগ বাজিগদগি লাকপনি। কদোগগে?

দেবদূত :— Hopless (ভগ্ন), করি করি কৌব ওই? Names?

তখেলশাঃ— ইমিংদি তখেলশা কৌই।

ইরোই :— ঐগিদি ইরোই থরোখী কৌজৈ।

হৌদোং :— ঐগিন হৌদোংমু।

দেবদূত :— নখোয়বু কৈদোৗব লাকপনো? করি পাম্বগে? ঐ-ঙোন্দ খঙহল্লে।

(মখোয় অহুমম্ব য়েংনরগ মখোয়না পাম্বরকপ মরি পানব উগি খুজাই (কাঠারী) অহুমম্ব উৎল্লি।)

দেব[illegible] :— (কিত্তুন হন্দোক্লগ) অত্তদি করিনো? (ব্রেকীন খুজাই-শিংম্ব মনুংদ অমদি হৈদোক্লগ য়েংই)

ব্রেকী :— করিনো' সিদে? কৈদোৗবনো?

[illegible]খেল :— চেং পীবিয়। থব্বাইগি থাওন।

হৌদোং :— ভিক্ষা হাপ্পিয়। মুংঙাইন হিংগে।

ইরোই :— চেং কি পামজে। দলাল কার সনা লৈরবস্থু।

(গুদামদ মখুৎন থিল্লি)

দেবদূত :— বৈষ্ণবপুরগি য়ুম য়ুমদ, দোকান্দা খৈদেন্দ ভিক্ষা নীব চৎলু, চেং হাপ্পিয় খেল পীবিয় হাম্বরু। মসিদি সরকারগি গুদাম্নি, মীয়ামগি মীহুৎ লৈবাক্ক খল্লকপ-শিংদদ শিন্নগদবনি, মখোয়দগি নখোয়দ য়োরকদবনি।

[illegible]খেল :— ইথুং ইথুংত হেক্ক পীনবিরো।

ইরোই :— খুথাংদ পীবিরবদি লথীদ শিৎথগল্লি। ইথুং থুংদব অনীরক থুংব।

[illegible] :— পুক থন্দবা কুইরেদা! মীন য়েনবিরকপ ঙাইবদা। তুমদুন লৈহৌবস্থু নত্তবদা। ইম্নাংদ য়াম্ন য়াম্ন থুংনা-শিব য়াঙইদা ঐবু কাল্লমগ।

দেবদূত :— নখোয়বু লৈবাক মীয়ামগি মীহুৎলাও?
(অহুমছু রা তানৈ, হামেংপা মখদাংদ হামেংকোই ঙৌন শাংলব, ফিঙৌন শেগাইবদি লোৎলগ কুম্মৈ য়েংদৈ 'E' দা ফম্মগ।

ব্লেকী :— গৌ গৌ-গৌ! (খোংই লাপ্ন) হু কমস দিয়ার?

হামেংপা:— (মচিন চুপ্নগ) মে এ-এ..., ফ্রেন্দ!
(পুলিশন মশা চেক তৌই)

দেবদূত :— কৈদৌব লাকপনো? (হামেংদ)

হামেং :— য়েংব লাকপ, খঙনিংহুন।

দেবদূত :— নংবু কনানো?

হামেং :— পুক্নিগি ছাত্র, অহুল অম।

দেব :— নখোদি করি শূরি?

হামেং :— শিব ঙায়ঙরি, হিংবগি কুম্মৈ য়েঙ্গুব।
(দেবদূত্ন অহুমদ চৎলগ)

দেব :— নখোয়বু মীয়াম খনব মীহুৎলা?

তখেল :— মানি ঐ শামু ফুরুপকি লুচিংবনি।

ইরোই :— ঐহাক্ ইরোই ফুরুপকি লুচিংবী।

হোদোং :— ঐন ঙ্যাও ঙ্যাও পার্টিগি লীদরবনি।

দেব :— (ঠে) বৈষ্ণবপুরগি মীয়াম খনব, গণতান্ত্রিক নিয়মগি মতুং ইন্ন, চেদ শীন্নৎলকপ মিংদি: সর্বশ্রী নাত্তু, খাই জাইরং, অমমুং য়েনবা মিয়ানি। মিংশিংদি কৌব য়াওব্রাও নখোয়বু? (খোইরপ ঙাংব)

তখেল :— নাত্রং হায়বত্রবু শগোল অতৈ, মোড়া সণাবী, মঙেব, খচর খোয়ন অমত্ত য়ানদে ; শজিক তিঙ্গোই খর চত্নগ নমথাক লোনমদ কাখিবনি মখোয়ত্তু।

ইরোই :— কাওজাইরু সু মহী-মনাই মফৈ খর্ব থাঙলগ কাখিবনি, অঙৌব অঙৌবী, অরাংব অরাংবী, কাওমচা হাতম, সমোক ইরোই অমত্তন মাবু য়াব নত্তে। মহাক্ক সমোক সনয়ামগি মীহুৎ ওইবদি ওইখোক্কবনি।

হোদোং :— য়েনবা মিয়াবু ঙান্নু থুন্নু য়েনবী লংথুন্নু কনামতন য়াদবনি, মরল লৈবগি লম্ফুমগি লাংদ লোক্লগ মীথন্নু কাখিবনি। মখোয়দি লৈবাক মীয়ামগি মীহুৎ অশেংব নত্তে, মাহুৎ ওইন শা অতৈ কারগ লাক্লব, সরকারন থম্বিগে হায়রবদি খঙদে। মীয়ামগি থয়াইন তাব অশেংব মীহুৎতি ঐখোয় অহুম্নি।

মেজুত :— মহুন কায়রোই। গণতান্ত্রিক মীথলদ কারকপ সর্বশ্রী নাত্রং, কাওজাইরুং অমদি য়েনবা মিয়া মখোয় অহুমসিবু সরকারন বৈষ্ণবপুরগি মীহুৎ ওইন লৌগনি। ঐখোয়ন লৈবাক্ক পীগদব দান, য়েনগদব অচা অথক পোৎচৈ, কায়গদব পাম্বৈ, লৈবাক চাউখৎহনবদ চংগদব পোৎচং মখোয়গি মথুংত শিয়রকনি। নখোয়ন মখোয়দগি খাইরগ অমুক লৌখনৌ। নখোয় চৎলা য়ারনি, লাকদব মীথল চহি ৫ শুরগ মীহুৎ অশেংব ওইন কাক ওয়ব মরম ওক্ক লৈক্র। (চংখি)

তখে :— ঐখোয়বু তিঙ্গাকোক্ত হল্লত্রাও ?

ইরোইঃ—/কৈদৌন হল্লুনি ? লৈখিনি ; ইরম্মি, ইরৈবাক্কি। য়ুম-দাংবন কৈনাগ্রে, ফম্মেন ফমগ্রে।

হৌদোং:—শংখিসি, মখোয়ন পোৎ হোম্বদ য়েপ্পবতু য়েপ্পখিসি। মখোয়মখৈ মায়রগ ঐখোয়ন পুক থন্দব, কৈজুপ ওক্তব, য়ুমদ নোং য়ুব, মৈ মম্ব কদায় য়াগদগে ? ফমত্তন য়েংখিসি।

তখে :— ঐদি য়ুন্দুন হেক্ত লৌশি হায়ব য়াই। মখোয় অতুম্ব ঐখোয়গি ইহুৎ ওইব য়াত্রাও ? (শাওন) য়ীন ইহুৎ শিনব য়ানিংদে। ওঃ......

ইরোইঃ—মখোয় অহুম্ব চায়গ ঐখোয়গি ইবুক থনবম্ব নত্তা, লৈবাকপু তশেংন মুংশিরব মীপক, ইপা ইমা শকপ ওইনগি প্রমাণম্ব লৈতন চেজেং থর চাইরগ, চেজেং থর উপুদগি মশীং খিবদ য়াম্মগ মখোয়ন ঐখোয়গি ইহুৎ ওইব কৈদৌঙৈদ য়াকম খোক্তে।

হৌদোং:—নমথাক লৌনম, হুয়ান চৌম্বীব হৈনব তম্বিব মীহুৎ থনবগি নীতিনি। ১০০গি মমুংদ ৩/৪ কাদি থর্ম্মগি মথক্ত কায়মত্রা ! অতৈদি হৌদোংনি ও। চাদব লম্মোইম, শা চাদব কৈ বৈকুব ওাকনি। মরল লৈবশিংন লাইয়রশিংবু নেৎথনব শেম তাৎতরনি।

(ফমত্তন লৈ অতুমত্ত লৈবাক্ত)

দেবদূত্ত চৌকিদ কমখি, ব্রেকীন হৌং-হন্দা চৎতুন লৈ পাম্রীগুম। মীতৈ কিজেৎত নাত্রং মনজন্দ শগোল য়েকপ, পাঙ্গল কিজেৎত য়েনবা মিয়া মনজন্দ য়েনবা য়েকপ অমসুং কবুই কিজেৎত কাওজাইরুং মনজন্দ সন য়েকপ লাক্লগ ঘাড় য়েংলৈ 'B' দা কম্মি। ব্রেকীন মথোয়গী মনাক্ত চংলূবদ চে অমদ মথোয় অহুম নহি তৌরগ পীরকই দেবদূত্ত পীরুনব। দেবদূতন চেহু পারগ অমমম কৌশিল্লি।

দেবদূতঃ— সগোল পার্টিগি লুচিংব নাত্রং, কাও পার্টিগি কাওজাইরুং, য়েন পার্টিগি লুচিংব য়েনবা মিয়া। (অহুমদু চংলগ থুং শোক্লে) নথোয় অহুমগি মরক্ত কনান মকোক ওইনি?

ভমক :— ঐ ওইগে, ঐ ওইগে। (হায়নৈ)

দেবদূতঃ— নথোয় অহুম মকোক মথং খন্নরু। ওহাক্তং লৈরগ উপদেব অমদি গণদেবী লেংথোরক্লনি। (অহুমদু 'B' দা হল্লগ ভায়রুই)

নাত্রং :— ওস্পাক্ত লৈব শগোল শামু ইয়োই হূই হৌদোং ময়ামগি মীহুৎনি ঐ—মশীং য়াম্ব কাংবুনি ঐন মকোক ওইভম থোকই। ঐন ওইভম থোকই।

য়েনবা :— ঐ য়ানিংদে, মশীং য়াম্ব নথোয়ম মকোক থংলক্তাহু, থুমু, য়েনবা য়েনবী, য়াইসু য়াহোং, তেনবা তোঙ্গুবী উচেক মতু শোনবমথৈ থেৎথায়ক্লন তোকখি, ঐব ওইব চুম্মি।

কাও :— সন, হাঁমেং, য়াও, চাংদ ভমদ লৈকাইগি মীহুৎ ঐন্দ

মথং চক্তব য়াদে, মশীংদ খণ্ডদে, পাঙ্গলদ, কাম্নবদ খণ্ডদে।
নাত্রং মী কয়া উশিংতে, য়েনবা মিয়ান মকোক চৎপ
তায়, ঐন মথং চৎপ, হা?

য়েনবা :— ঐ য়ারে। মতুব য়াত্রবদি য়েন য়োন্দুন চাগত্রা।

নাত্রং :— কৈ; নখোয়নীন ঙমজরো। থবক্তি কজ কজন তৌব
তায়, নত্রবদি কুইজরোই খঙ্ঙ্। অচুম্ব, কজব তাম্ন-
গদবনি। হেক পয়ব উবদ চৌকি মথক্তগি লৈখাদ
কোক ওস্থমিন্নরে খঙঙ্। (চে অয়দ মখোয় অহুম
সহি তৌনৈ য়েনবান পাররি।)

দেবদূত:— (ঘড়ি য়েংলগ) হজিক মতম ওইরে, শ্রীশ্রীগণদেবী
অমদি খোবাংঙম্ব উপদেব লেংখোয়রক্লনি। ময়াম, চপ
মান্নন লেপথৎলগ নমস্তে তৌবিয়ু অত্থগ লেকচয় তাবিয়ু।

চাঁথেল :— ননাই ঐখোয়বু তাদমক তাগত্রা, ঐখোয়ন তাংনিংবদি
তাবিরোইত্রাও?

দেবদূত:— করিগি তারোই মরমচাব য়াবুদি? মীয়ামগি য়া তাব,
মীযামগি ফনব তৌব লৈত্তাক পথাপ্নিনে। (ময়ামত্থ
মঙক নোম্মি)

(তেনবান স্কট শেৎ, মেম শারগ হায়েংপালি মনাক্ত
লাক্লগ কোইয়েং য়েংলৈ। মপা-ন কিজেৎ চাকচা মাইতৈত্থ
ওক্ত য়েংই— মথবাক য়ৈ লোয়, মনাওস্থপী লোয়্ক্রুখী
অমস্থ মতুংদ ইম্নরকই)

তেনয়া :— লাইরেম্বীত্থ খোক্লয়ত্রা বাজি?

হায়েং :— খোয়ক্লনি, খোয়ক্তি। (দোকান্সিব কি কয়া তা[illegible]

—সূর্যীমচা তেনব্বা, ইপাদি মশকপু খত্ত্ৰে ; নমাইত্তুন কনাগি কঙ্গাংদ খেংলুবদগিনো নচিনবান্দুন অত্তুক থীন ঈ খোক্লিববু —নমিং থকইদা !

তেনব্বা :— মী মমাংদ তুমিন লৈয় বাজি, চাউখৎপ মপান থাং-জিবনি

হামেং :— মহৈবু খায়নহৈ !

তেনব্বাঃ— নোংমাংখা, কারট অখাবী চাকখাওদ কৈ হায়নক্লনে হনুবা। নংস্থ ইল্লকইব্রা (মমাও লোম্বোক্তবীদা) ?

(উপদেবন সুট-টাই হেট্টা সাহেবশা, গণদেবীন হিন্দু লাইরেবী শাহুন সারী, লুহুপ, অরংব লিকপরেং লৈ পরেং .... শিঙ্গুন কম্বুন লেংখোরকই, মখুৎত লাউদ স্পীকর ওইন ওাহক অম পাররকই। মীয়াম হোগৎ-লগ মখুৎ লোয়ে। উপদেবন মখুৎ লোয়ে।)

দেবদূতঃ— জৈ জৈ গণতন্ত্রগি লাইরেম্মা গণদেবীগি —জৈ ! (ময়াম্ব জৈ খুম্মি অনীক্ত চৌকি অমমমদ ফম্মি।) হৃপিক খোবাংওব উপদেব আই, এ, এস,ন চাউথিব মীয়ামগি পুক্লিং লৌম্বিং ওইনব রা খর ওাংবিনি, দেবদূত সেক্রেটারী এন বৈকুণ্ঠপুরগি লোম্দ হন্দোকনি। হিন্দীদ তাবিগেরা ? নত্রগ তামিদ টেলেগুদা ?

মীয়াম :— ইংরাজী। ইংরাজী। ইংরাজী।

উপদেব:— Friends on this Planet, the earth, your country and my country —one.

[illegible] :— পৃথিবী গ্রহদ তাবিবিব মরূপ মপাংলিং, সপোম্বি

নৈবাক অমদি ঐগি নৈবাক অমত্তনি।

উপদেব:— It is by accident that I rule you. One of you might one day bocome the President or the Prime minister.

দেব :— মতা চাকবদগিনি ঐন ঙসি নখোয়বু ঙাক্লিবসি। নখোয়গি মরক্তগি অমন নোংমদি প্রেসিডেন্ট নত্রগ প্রধান মন্ত্রী ওইরব য়াই।

উপ :— You know, our age is the age of science. But we can't help believing in some god or other.

দেব :— ময়াম্ম খঙবিরিবত্তুনি, ঐখোয়গি যুগ অসি বিজ্ঞানগি যুগনি। অক্তবু ঐখোয়ন থাজদব ঙমদে লাই অম নত্রগ অমদ।

উপ :— People of Veisnabpur! You worship the Lord Visnu as well as many other gods. So, It will not be difficult for you to add another in the big list of gods and goddesses.

দেব :— বৈষ্ণবপুরগি মীয়ামশা! নখোয় বিষ্ণু অমদি অতোপ্প লাই অতৈ কয়াবু পূজা তৌই। মরম অক্তুন লাই ময়ামত্তুগি মথক্ত অমত্তং হাপকংপদি নখোয়দ লুন থোকলোই।

উপ :— At present, we must include the goddess of Democracy, Ganadevi by name. We

must have faith in Her, suspending all reason contrary to that faith.

দেব :— তৌভক্কি মতমদ, ঐখোয়না গণতন্ত্রগি লাইরেম্বী মমিংন গণদেবী কৌবীসি য়াওহন্দব য়াদবনি। ঐখোয়না ইবেম্মা মাবু থাজদব য়াদবনি, থাজব অত্তবু মাইয়োক্ক-রকপ ৱাখলগি লৌচিংত্থ নমথহুন থম্ব তাবনি।

হামেং :— অমুক্ত ঙাইবিখো অঙম্ব ইবুংঙো, য়েংশিংব রা অম লৈরে। (মথুং থাঙংলি, মীহুৎশিংন খাম্মি ইঙ্গিংন)

উপ :— What does he say

চেনরা:— He wants to raise an objection Sir.

হামেং:— অচুম্ব থিনিংব ৱাখলগি লৌচিংবু করিগুম্ব মরমগি নমথহুন থম্ব ঙম্মোই। অচুম্বন অতৈ পুম্নমক্তগি হেন্না ৱাংই।

চেনরা:— Reasoning in search of Truth should on no account be suspended. For, Truth is higher than any thing else.

উপ :— There is truth in faith.

দেব :— থাজবদ অচুম্ব লৈ।

উপ :— Faith or devotion leads to God, and God is truth.

দেব :— থাজব নত্রগা ভক্তিন ঈশ্বর ফংহল্লি, ঈশ্বরনি অচুম্ব হায়ববু।

হামেং :— গণতন্ত্রবু ৱাখল থম্মন থাজো হায়বদি (হৌন) তম-জয়োইদে, ঙমজরোই।

দেব :— গণতন্ত্রবু থাজত্রবদি নিংথৌপানবদ, অমত্তন মনীংমধা তত্তন থাজবিত্রাও ?

হামেং :— গণতন্ত্রদ পণ্ডথা থাজনিংদে হায়বগ নিংথৌদ থাবৈ হায়বগ অর্থ মায়ে হায়ত্রাও ?

তখে :— ওঃ....ও....ও.... (থোংই)

টরোট :— রাং .... রাং .... "

হোদোঃ :— ভিয়াও — ভিয়াও ..."

(অচুম্বক মায়ন থোংই, চেংনীক থাঙ্গৎলগ)

গণদেবীঃ — করিনো ! মথোয়ন হায়নীংব রাহু ময়েক শেংন শেংন হায়হল্লু ।

ওমক :— অচু-দা খণ্ডদে চেং ! (চেংনীক থাঙ্গৎলি) চেংদ পীরো, বেরা লৈতে ।

দেব :— (মীচুৎশিংদ) মথোয়ন করি হায়রে ?

য়েনবা :— মীয়াম প্রজান পাম্বদি চেংফুদ চেং, পুক্ত চাক । অতৈ অয়াইবনি, গণদেবীদ খুরুম্মু খুরুমগে, নিংথৌদ খুরুম্মু খুরুমগে —থাজৌ হায়বদু থাজগে পুক থনগনি হায়বগিংং থবক থাজহল্লু হায়জরি ।

গণ : পুক শোইদন থনগানি, চেংফুদ চেং রাৎলোই । গণ দেবী ঐ কনানো ? ঐন করি তৌব ঙমগনি অমুক্ত ভাবিখো । জাতীয় একটাপি য়োকচবী ঐহাক লাই-মক্তি নত্তে, ঐবু মীয়ান্ন পামিবদগি লাই শাবনি । ঐদি চাক চাদে ; মী থয়দন মতম পুব চাউব লিংলী,

শাব ঐ পামদে। য়ারিমথৈ মীয়ামগি য়াম্ন কান্নব হোৎনব ঐগি ইথৌনি। মবুক পিকপ মী থরন ঐবু অমোৎপ লম্বীদ চৎসি হৌরব য়াই। অরানব লম্বীদ কুইন চৎপ ঐ য়াদে।/শিংগৎনব থর লাল্লবদি মীগি হৌনশানি। Since you have made me a goddess and loved me, I love you man. নবুক শেংউ, ঐবু থাজৌ, নখোয়ন পান্বহ্ ঐন পীগনি। নখোয় মীওাক্তনি, মী নখোয়ন মোয়ামগি কনব মীয়াম্ব ওাকচবনি। লৈবাক্ন নুংঙাইব নংবু নথুক্তনি মীচোল ওায়নবু।

উপ :— It is your own Government. Happiness or misery is in your hand. Please don't forget that nor lay the blame on us.

দেব :— নখোয়ন ওাকচব লৈঙাক্নি। নুংঙাইবসু অওাবসু নথুংতনি। মহু কাউবিগনু। করিগুম্ব অরানবগিদমক ঐখোয়দ ওায়নবিন্নু।

ছামেং :— অদুদি নখোয়ন করিগি শিগ্রব নিংথৌ শান্ন ঐখোয়বু তোংলগ থোরি? (C ন থুবাক, B ন থাম্ব)

তোম্বা:— Then why do you ride on us playing the king's dead role?

ছামেং :— নখোয়সু গণদেবীবু থাজৌ, ঐখোয়স পুম্নমক শিমন্নু অচা অথক পোৎ চৈগি ওদাম। নয়মদ চৎলো,

ঐখোয় নখোয়ন পীবিব খুদোন পোংশিংঙু য়েন্নজরগে। থাগৎচরে। (C ন খুবাক)

তেনৱা:— Please have faith, you also, in democracy. Leave the Godown of goods to us. You please go back home, we shall divide the goods among ourselves. We thank you.

উপ :— The constitution of the land keeps us here. We have to see that you are acquainted with the correct democratic practices.

দেবদূত:— লৈবাক্কি সংবিধানগী ঐখোয়বু সিদ থম্বনি। ঐখোয় য়েংবা তাবনি নখোয় গণতন্ত্রগি খোদোংশিংঙু চুম্না তোঁব হৈনরব্রা হায়বদু।

হামেং:— চহি লখা কয়া য়েংবিগদগে ? ('C'ন খুবাক 'B'ন থাম্ব)

তেনৱা:— How many millions of years will you observe the workings ?

উপ :— It depends on you, the people.

দেবদূত:— মহুদি প্রজা নখোয় মরামদ লৈরে।

হামেং :— নখোয়ন হৈত্তে হায়বিবদস্থ লৈরে। (C ন খুবাক, B ন থাম্ব)

তেনৱা:— It also depends on your saying "not ripe yet".

উপ :— You must obey the law of the land.

দেব :— নখোয় লৈবাক্কি আইন ইনব ভাবনি।

হামেং :— ইন্নগ নিংধোগি নোংমৈ, থরাই হাৎপ! (থুবাক)

তেনবা :— Disobidence calls for king's rifle, then blood shed.

উপ :— We cannot help doing that.

দেব :— মড ঐখোয়ন তৌদব য়াদবনে।

হামেং :— মরমদি ইবুংঙোশিং মীবু থাজদে, গণতন্ত্রবু থাজদে, গণদেবী হায়রীসি চেদ য়েকপ লাইরেম্মনি। ঐখোয় মীচম লাইরবগি মীথকহন্নব মায়ানি, মিগুংনি। (থুবাক + খাম্ব)

তেনবা:— Because, honourable Lords, you niether belive in man, nor in democracy. Gana Devi is a paper goddess made to dazzle and blind the eyes of the have-nots.

উপ :— Please wait and see.

দেব :— ভাইবিখো অড়ুপ খঙবিনি।

হামেং :— অড়ুদি কন্বোইর লাই প্রসাদী পীজগেদ ভারে।

তেনব :— That is waiting for Godot. (silence) (কোক ছোৎনৈ)

উপ :— প্রজাগি মীহুৎ কৌবিরো। (খোইব মরোল)

দেব :— মিস্টর য়েনবা মিয়া, মিস্টর কাঙজাইরুং অমদি মিস্টর নাত্রংসিং! সিদ চংলকপ য়ানি।

অহুমছু চংলক্লগ বাশী খোংচুন কম্বিবী (কাচীন ওইরগ্ন) গণদেবীদ খুরুম্নি, মান উদে, উপদেবগ মথং মথং মুং চিংনৈ। 'C' দক্ষি মথুংন লাপ-উ শারগ য়েংনৈ।

তেনব্বাঃ— মখোংগিসি করি করি চাদৌরিমানে বাজি?
(মতিন য়োংলি, মনাওন চানিংবন চোংই)

হামে': — মচং মতোং মখোয়মখৈন চারগ ঐখোয় মীয়ামদ মরুগ মকুগ য়েল্লকদৌরিবনি।

তেনব্বাঃ—য়োরক্ত য়ূনবা, থবাক্ত ফুমবন ঐখোয়গি।

হামেং :— নবুংশিংন লৈন্মুংদ লুমগ্নিবদু মসিদ পেন্দবদগিনি।

য়েক্কী :— (মুনমু শুং শুং নম্মগ) গো - গো ...অং...(ভুংই)

উপ :— (মচিন চুপই) 'ৎচ...'ৎচ....!

দেব :— (ফাইলদগি চেক্লেং ময়াম চ্যেক অমমম নপ্লবশিংহু মথং মথং পুখোক্লগ মীহুৎ অহুমদুদ উপদেবন পীন পীন) মসিন মহৈ মশিং চাউথৎ খোয়াংগি, লুপা ক্রোড় - লখা - লিশীং কয়া। মসিন চিক্সাক ফিজেং; য়ুম্মান কৈবান চাউথৎ খোয়াংগিনি: লুপা ক্রোড়—লখা—লিশীং। মসিন লম্বী খোঙ, য়ুমশা কৈশা চাউথৎ খোয়াংদ থাদনবনি। মসিন লৌউ-শিংউ, মরু মরাং চাউথৎনব থবক্ত থাদনব। মসিন খুৎশা হৈবগি থবক, ফিশা লোজ্জা, উশূব য়োৎশুবগি থবক চিংবগ থাদনব লুপা ক্রোড়, লখা, লিশীং অমুক। মসিন ৱজলগি থবকি, মসিন ওা য়োকপ, শা উচেক য়োকপগি, মকিং

সাহিত্য কলা লগোই ইশৈ চাউখৎনব খোরাংদ থা-
দগদব লুপা লাখ কয়া লিশীং কয়া।
(য়েনবান মখুৎত খর, ফুরিংখাওদ খর খর তোঞান,
ফিরৈদ খর য়েপ ঐ)।

নাত্রং :— ঐখোয়সু খর পায়র্গেনে। (লোল্লপ)

কাও :— শেল য়াম্ফাৎতব ওইরবসু খর খর পায়নব কৈ।

য়েনবা:— য়েম্নরগ কোয় পায়মিন্নসি, অমুক্ত ঙাইখোগবা।

দেব :— লাইরেংশং অমদি হিদাক লাংথকি লুপা ক্রোড়—
লখা—লিশীং কয়া। হাইড্রো ইলেক্ট্রিসিটিগি লুপা
ক্রোড় অস্নুক। কম্যুনিটি প্রোজেক্টস অমদি ডিভলপ-
মেন্ট প্লানগি লুপা ক্রোড় অস্নুক লিশীং অস্নুক।
মখা অতৈদি হয়েং ভৌরসিকো?

য়েনবা :— য়েস সার।

নাত্রং :— খোরম য়াম্মনপ্রবন ইঙাওবু ঙাওদোরি।

উপ :— শেলশিংত্নু য়াম্মপ্রবাও?

য়েন :— য়াম্নু য়াম্মনপ্রে, শিক্ষিনগবু হৈরোইদোরি।

কাও :— লাইরিক লাইশু মহৈ তম্নবগি মতাংদুদি লুপাতু খর
য়ামখৎহনব কৈদকো?

য়েন :— ওকপ য়াইদা কন য়াম্মি।

নাত্রং :— অয়েম শেল মবৈ অমুক হঙংপ হায়বতুনি, ঐখোয়ন
... জৌব য়াপোং নত্তে। হা? ধর্ম্মদি কার্য্যসুসি।

উপ :— শেল ময়ামহু মীয়ামগি কনব ময়ম চুম কনেন্না।

শিজিন্নবিয়ু। মথাক অতৈদি হোয়্রে ঙাংনসিকো। করেব্রকো ?

(মখুৎ চিংনৈ অহনচুপ ; গণদেবীস চংগদবগি লাকপদ অহম মখুৎ শোক্কে তিংথোকপদ)

গণ :— ঐদি অশেংবনি শোক্লকনু।

(উপদেব, গণদেবী অমসুং দেবদূত মীয়ামদ মখুৎ থাঙৎ-লগ চংখি। অতৈন মখুৎ থাঙৎলি ওক্নুন। মীহুৎ অহম চেক্কেৎ ময়ামদু য়েরৈ, থিৎতং য়েঙবৈ সুংঙাইনদে—বাদি হৌনদে)

নাত্রং :— নখোয়নীন অফব অয়াম্ব ঙাক্ত পায়রব্রাও ? চপ মান্নন য়েন্নব য়াব্রাও ?

য়েন :— খুংশাদন্নু খুবী খুনাও থায়রিবদ করি য়ানোনে নাত্রং ?

কাও :— খংনন্নু মীন তায়গ শোকখিনিনে। (অম হাপ্লিখি।)

(লোম চিবোন চিবোন তৌই) [য়েক্কীম্নু চংখি]

য়েন :— ময়াম লেংবিব য়ায়নি, য়েংবিদৌব কুম্মৈ লোইরে।

হামে :— থু ইদৈ য়েংনীংব অম য়াংলি, য়েংখিনি।

কাও :— কুনিনা দুদে ?

হামেং :— মীনাইগি মরম্লাই হায়ব পীপা অম য়াংলি।

নাত্রং :— মীথোঙ হক্তুব অহনদ্দুগি য়াহু তাক্লনু।

(ইয়োই, তবেলশা, হৌদোংমু মনাক্ত চংলগ)

ইরোই :— নৈব্যাক্তি মীহুৎ শাব ইচিন্নাও অঙবশিং! নখোয়্নন অশেংব মীহুৎ ওইরবদি মগুমচাশিংন পীনবিরকপ পোৎচৈ খেল থুম ময়ামদু মীয়ামগি মমাংদ নবুক শেংন লোইন পুথোরকউ।

হৌদোং:— ঐখোয় বৈষ্ণবপুরী মন্নাম পুকচেল শেংন মীচং মীখার নাইদন ফজন য়েন্নসি কদায়। নখোয় অওম্বনি খজিত্ত্র ইশা ইশান য়ান নখোয়দ খর খর হেন্ন থুংনি। কদায় পুথোরকউ।

তখেলশা:—অমত্ত থুপ্প য়াদে ফুরিংখাওদ, ফিরৈদ য়েপথিবস্থু উহৌই, কান্নরোই, লোৎনমক পুথোরকউ অওানবদ। ইকোং কোংন য়েন্থোকসি মীয়ামদ, নখোয় দেশভক্ত মীয়ান্ন য়াব নবুকচেল চাউব অশেংব মহুং ওাক্তনি। [ওহু ওক্রুন লৈ] পুথোকলোই হায়রিব্রা? নখোয়দ অওম্বন শিন্নরকপনি, নখোয়ন থোকপ অপাম্ব মতুং ইন্ন য়েন্নাংব মওংদ হেল্লুনি, হায়রিব্রাও?

য়েন :—অসুম য়ৌরগ ইংন থম্নরগ লৈবাক্কি ফনব লৈবাক্কি মীহুৎ লৈবাক্ক থাজব ঐখোয় অহুম্ন ফজন ভৌরক্কে লম্বীদ থৎলগ ময়াম্ন ফাণিরিবসিবু করি আইননো?

কাও :— ইচিন্নাও ঐখোয় লিংজেল মামত্রগ থৎনরগ মীরৈবাক মচাশিংন নোক্লবনি, করি কান্নদগে?

নাত্র :—ঐখোয়ন হৈরাইবক ফড়ুন মীহুৎ ওইরবনি, ঐখোয়ন ভৌব পুন্নমক মীয়ান্ন য়াব ওাক্তনি। অদোম থম্নন লম্বীদ লুট তৌবিরিবসিবু লৈবাক্ক য়াব থবক ওইগত্রা?

হুরাই:— ঐখোয়গী ভায়া নাক্রং, কাংলুপ কয়াগি মীহুৎনে *ঐখোয়দ য়েন্দোক্লিব শোংতু ঐখোয়গ জানরগ য়েরবদ

কৰি কায়বগে? নখোয় নবুক শেংদে হায়ব উংলিব নত্রাও য়ানিংদ্রিবদো?

ভবেল :— না'ত্রং ইবো লৈবাক্কি মীছুং ওইরবসু নং য়াঙাং কজদে, ঐখোয়ন নখোয়বু ফারিবসি লুট নত্তে। ঐখোয় মপুনে ঐখোয়গি পোৎনে শেন্দনে নখোয়ন পায়রিবদো। ইপোৎ মাংদনব শেন্নবনে, ইখৌনে খঙত্রা, গণতন্ত্র!

য়েনবা :— খোন কন্নসি, মীফা মীপুন ভম্ব অঙম্ব লৈ, খুংলাই অফব লৈ। লম্বী থাদোকউ, চোপনিংদ্রবদি, ঐখোয় চৎলগে থবক য়াম্মি।

নাত্রং :— থ'নাদ তাব্রগ থেক থেক কাপথায়হল্লবদি ঐখোয়বু ফত্তে হায়নিদো। লম্বী থৎকনু ঐখোয় চৎলগে।

হোদোং:— থৎপ নত্তে চৎমিন্নসি লাও। নখোয়ন চৎপ মফমদ ঐখোয়সু চৎকনি। কদায়দনো নখোয়ন ইংন য়েন্নরুসি হায়রিব মফমত্তুবো?

কাও :— লৈবাক্কি থবক্ তৌজরিব অঙম্ব ঐখোয়বু চেংন ভীম্নোক্ত ওম্বগুম্ ওম্বিরবদি জ্ঞান তাব হৌনত্রাও? জ্ঞান তাহন্দ্রগ থবক হৈতে নফম তারো, মতুংদসু ভোট পীহল্লোইসিরাও?

ইরোই:— মীয়ামগি ফনব থবক শিনবিব, শেন য়েম্ভোকপিগদব ওইরবদি মীয়াম ঐখোয়গি ইমাংদ য়েন্নবিয়ু হায়বসি কয়া ছমাং শৌব খুনাংচাব য়াবো? নবুক শেংনবুন নখোয় থরদ লোয় তানরগ য়েল্লকে হায়রিব নত্রাও? (পায়রৈ ইরৈ থর থর)

ম্নেন :— নিংথিন হায়জবদ ভাবিত্রবদি থানাগি মতেং [illegible]
তাকপিরিত্রাও ? কে ক্রেক ক্রেক ... ... !
(গৌ গৌ গৌ খোংলকই মখুংদ ।)

তখেল :— ওঃ... ওঃ... ... ... (খোংই)

ইরোই:— ব্বাং — ব্বাং ... ... "

হৌদোং:— ভ্যাও ... ভ্যাও ... "

কাও :— মেঃ — মোঃ ... "

নাত্রং :— নিং হে হে ... নিংহেহে "

(ফানজুন ইমজুন লাক্লবোই করিওই থংনরগ —খোংদ খোংল চংথি । ম্রেক্কীন গোগো হোন খোংজুন তাম্হোক-থি । মপা মচাসু 'মে মে' 'তেং তেং' খোংলগ চংথি । হুইন ইকোন কোম গো-গো হোন খোংহৌই)

[সীন অসিদ হাযেংপান তখেলশাখোয়গি মতুং ইন্দুব ইন্সিনব য়াওই, নাওব য়াওই - আঃ আঃ ! লোহোক্কবী অঙাওবী ফিজেৎত তেনবাগী মতুংইন্দুন য়েংব য়াওই, হাযেংপাদ চাক লাম্নে তাকই, পীগু হায়, মপান মঙল মরু থর থর পী। লোইথ্‌গ পীগু অমুক হায়, পীত্রগ মপাদ থৈ। মচেন থাম্মি, য়ুমদ চংলো হায়ব বাদে, মফি শেগাইব মথক্ক ফি মতুপ অম মতক্ক কিতন ইল্লকই। চোংই, খুবাক খুই, নাওই মতম মতমদ।]

+* + *+ *+

চেংনী-খুজাই

অনীশুব মতাং

চীওয়া লম্পাক্, সজাবুদ।
মতম সুংখিল সুমিদাংবাই।

চেংনী-খুজাইগি কাংবুন মিটিং তৌরি নাপী মথক্ত কমচুন নাকল অমদ পোষ্টর 'চেংনী-খুজাই' চেদ মেক্লগ থেংগ উই চৈ অমদ। সভাপতিন ময়াইদ ফমি। লাইরব মানব ফি শেগাইব, অমোংপ, মুগোং চাদব শেংপ, ইনব, উপ্প মীয়াম ইকোই কোইন ফম্রি।

মিটিংদ য়াওবশিং: হাঙেংপা সভাপতি, তখেলশা, ইরোই থংগোবী, হোদোংগ্র, হাঞ্ছেংঙ্গ, আমেদাশি অমসুং পাক-তোকপ, য়াওবচা অমসুং পিকিংকৈ, তেনয়া অমসুং থং-তেকপী, লোম্বোক্তবী, চাকনিব লোম্বোক্তব মবুক থম্বব মফি ফত্তব অতৈ কয়া কয়া।

হাংবেংপাঃ—বৈষ্ণবপুরগি সুংশিরব পুক্ থনকাংতবশিং! ঐখোয়না হজিক ইরয়াই হিংজব ভমজ্রিব কয়িগিনো? মমাং-ঙৈদদি মীরৈবাক্কগি নিংথৌ, নিংথৌমান, অহৈপা অ-ওংপা শাব য়াওদন অরৈব শেং-চাদুন হিংলম্মি। হজিক কৈদৌরে? হায়গিদু হঞ্জিনব য়ায়রোইজ্রা? ময়াং অওংপা শাবশিং তাম্বোকপ্রসি হায়বদু কয়ি হায়বগে? (নহারোলন খুবাক খুই য়ানিংই)

ময়াম :— তাম্থোকখিসে, তাম্থোকখিসে।

তখেল :— অমুক্ত তপথনসি, থাইনগ হুঙিক ফিভম মাম্নদে। খুৎলাই ফব মীন হেল্লি। লিংজেলস্থ মামদ্রে ঐখোয়। ফিজেৎ চাকচাস্থ ওল্লে। অয়ুক ভুম্ব হৌগৎলগ চা চেঙ্গোৎ অম য়োল্লবদি, তল বোরা, য়েরুম কংজৌ খিজুং শায়নদ্রবদি পাংদবন মুংশা হোনব য়ানদ্রে। আফিস কাবদ স্থট টাই, গাড়ী, স্কুটর, জীপ নল্লবদি য়াদ্রে, লান্দ খোঙ তেকপ্রবদু মঙায়রে। মীরৈবাক্কি শাজৎ লীচৎন ঐখোৎবু মীনাই ওইহল্লে। মীনাইন মপুগি মথক্ত লাল হৌব য়ারনি।

আমে :— লীচৎ শাজৎ যিজেৎ চাকচাগি থুরৌন লেংব য়াদ্রে হায়বগিদি থঙদেকো, নিংথৌমান অওৎপা শাব্রিরব-শিংবু তাম্থোকখিসি হায়রবদি ঐগি মরুপ পাকতোকপ নদি লাইন হায়রিদ।

পাক :— মতিকচাব খুৎলাই য়াওনব পীজগে, পুকচেল লেপ্লিয়্ পাঙ্গলদ থাংদোকপিয়্। ঐখোয়রোমদগি ট্রেনীং লোই-রব লাম্মী থরঙ্ লুচিংনব ফংবিনিয়ে।

হাঁমেংম্মু :— ইবুংঙোখোয় কাংবুন অমুক ঐখোয়গি ইথক্ত নিংথৌ-শাগে, দোলাইরেং ওইয়্, ঐখোয়বু হায়রক্লোইদ্রাও?

পাক :— পুকচেল পীকপগি ভাব লৈজদে, মদৎকি ভাবনি ঐন হায়জরিবসি।

য়াও :— মিষ্টর পিকিংকৈনদি ময়াং অঙথশিংবু তাম্থোকে

হায়রবদি মীয়্, খুৎলাইয়্ মদং পূয়মক কংনি, মখোয়না পীগে হায়রি। মখোয়দি লৈবাক চাউই, লৈবাক খুত্থম চনব পামদে, মরূপ ওইনিংবগি য়ানি হায়রি।

পিখ্রিং:— মিস্টর হ্যাওয়চান হায়রিব য়াসি অশেংবনি ঐগি খল্লোইদ লৈব অশেংবমক্রি। ঐখোয় লৈবাক্তদি চাব থকপ, শেংপ ইনব য়াত্তে। লাইরব হায়ব হিংচাবত্থু ভাগ্যোক্লব হোৎনব ঐখোয়গি নীতিনি। নীতিদু পাঙ্খিরবদি ঐখোয়গ মীচং ওইগনি। (খরন খুবাক)

তেনবাঃ— ভাইবুংঙোখোয় লৈবাক্ত শেংপ চাব য়াৎনদরাও? ঐবু লৈবাক অদোমদ য়ুম পালহৌনব হোৎনগদ্রা থত্ত্রেনে। পৃথিবীগি মকম অভেদ লৈত লাইরব কোক্লে হায়ব লমদি ইভাবু ভাদেদা—ঐখোয়গি পেনব হৈব বৈষ্ণবপুরদি নত্তন।

পিকিং:— য়ুম্বান কন হিংবিনিংলবদি ঐখোয়রোমগ মরূপ ওইসে শকহেনবী।

তেনবাঃ— বাথল খর তৌজখিগে ভাইবুংঙো।

ইয়োইঃ— বৈষ্ণবপুরদ নিপা কয়া পাংদে, সুপীদনি খোব হজিক্কি মতমদ। লালহৌব ভারবদি সুপী ঐখোয়না য়ুচিংব তারকনি, কিবগি য়া নত্তে ঐগিসে। য়ারবদি লাল মক্তি হৌদন অহিংসাদ সত্যাগ্রহ ওইদ চৎখগ পুক্রয়ব লমীলি অমুক্ত কুপ্র শিনখিসি লাইরব ইচিমাওশিং।

হৌদোহঃ— মথাংথবত বৈষ্ণবপুরদ শেংপ চাব য়াৎনমদে, হজিক্কি

চাকম্ন পুক থম্নজে, শেংশম্ন ইথিও ফুংনম্নে। মহুগি মরম মীশিঙ হেঙ্গৎপন ওইব য়াই, মীভো ভমহুন শেন্নব হৈনবদে অমম্নুং কান্নদব কয়া পান্মুবদগি ওইব য়াই। লৈবাক্ত কংদব পোং কয়া মীরৈবাক্তগি থাথিয়কই, এৈখোয়গি অয়াংপ শেল থুম চেং চাকম্ন মীরৈবাক্ত পীথিহুন এৈখোয় হিংব ভম্মি। কজন হিংনব লৈত জাহিয় কোক্লব এৈখোয়গি ইপুরোইবন মনাই এৈখোয়দ পীনরি। পীনবিয়কপ পোংচৈগি অয়াংভম্ন এৈখোয়দ য়েনবিবদ অধুংবদ হঙ্গিন হঙ্গিন য়েনবন এৈখোয় কজম চাদবশিংদ ইথুং থুংত্রজা হায়বশি এৈন চিংনম্নিবশি? (থুবাক) মহু কোক্লব তৌদনদি লাইয়ব কয়োই, চয়া হেনথিশি, ফিয়োল ওক্লথিয়োই।

পিকিং:— মবুক শেংদব অয়াংভমহু য়েঙ্গাং ওইন থোংলগ চাক লাম্বশিংদ য়েনব য়াত্রাও?

য়াও :— মী চাসি য়াদব বৈষ্ণবশিং, অয়াংভম হায়ব শিল লাংবগি কমসি থম্বগুসে।

[illegible] :— অয়াংভম কয় [illegible] য়াওত্রবদি পণতম্ন হাংব লাইয়ব মীয়ামু উংচান্নব, য়াহু হোয়াম্মোই পৃথিবীদ। নিংথৌ মন্ত্রীন কমবদবু প্রজা চয়া হেনপত্রা, মুম নোং য়ুপত্রা ৮/ প্রজা ওইম্নিবৈদ কমব কমঙ্গীহু মন্ত্রী হেক ওইবর্দ অয়োনব থবক মনীংথোঙদ মুংদাং অমম্বদ, মথুং অম্নুব অশাংব অম [illegible]—

[illegible] :— [illegible]সয়কারগি থবক পুবদ মীয়ামদ [illegible] [illegible], [illegible]

কনব অয়োনব থরদি লৈনৈ।

হামেং :— মন্ত্রীদি লৈবাক মীয়ামগি কনব লৈসনো। ঐন হায়রিবদি মীয়ামগি চেংফূদগি কোংলগ ময়ুমগি কয়দ, চেংফূদ, চকুদ হৈজিনব অয়োনব খুং অশাংবনি। মথোয়বু মকম চাউহল্লিব তলব চাউহল্লিব মীয়াম্বু খুরুমহল্লিবহ্ খুং শাংনব শক্তি পায়বগিয়াও ?

ইয়োং :— চদংনব লাইয়বশিংদগি মথুং শাংলগ শক্তি পায়ব মন্ত্রী পামদে, মন্ত্রী খুংশাংব য়াওত্রবদি চংনব য়াদবগণতন্ত্র হায়বহ্ মৈদ থাদোকপ্রসে। (খুবাক)

তেনবা :— গণতন্ত্রগি মন্ত্রীহ্ ঐ অমুক্ত ওইজগে খুং শাংজয়োইয়ে। মন্ত্রী ওইরিব, অপগুব মীয়াম্ম থনব মীশিংদু ফত্তুন তৌব য়াই, ঐবু অমুক্ত মন্ত্রী ওইহনবিয়ো প্রজা পুন্নমকপু চুয়া অহাওব অমী হুমিং খুদিংগি পীজগে।

হামেংম্বু :— গণতন্ত্রদ মন্ত্রীন ফত্তব ওমদনব, মথুং শাংব য়াদনব উপায় অমত্ত লৈত্রবাও ? ইনাক খুনব লৈবাক কয়াদদি মথুং তেনব মন্ত্রী কন লৈ হায়ন তায়দা। লাইয়ব ঐথোয়গি লৈবাক্ত মন্ত্রীন মথুং শাংব ওমদনব করি লৌশিং পুথোকসিগে ? মহ্ থমবিয়ো, অত্তুগ য়াম্নেপ তাবিয়ো।

তথেম :— মাংহনব য়াদনব হায়ববু মাংখিদৌয়িব পোৎ চৈহ্ ঐথোয়ন শংলগ লোইয়ে। মন্ত্রীন লৈবাক্ত য়েনগদব পোৎচৈ অচা অথক ময়ামদো ঐথোয় ইমাংহ মায়ন য়েনবিয়ো হায়নে। অদুন তৌয়বদি অয়াংতমন থাম য়েপখিব ওন্নোইয়ে।

হৌদোং:— মছু তৌসি হায়ব য়েনবা মিয়াখোয়না য়ানীংদেয়ে, মখোয়গি মীচংদ লাইরৈবাক্কি দেব দেবীশিংন মীচং হেক্ত চংঙি, মসিদ ঐখোয়না কৈদোদগে? খুৎ অশাংবদি লাইশিংন শানবিবনে।

আমেদা:— মথয়াই, মথয়াইত্তুদ নোংমৈন কাপসে, খুৎলাই য়াওদনা পুক থনব য়ারব মতম্মে, নোংমৈ লৈখে।

য়াওমচা:— ঐ অম পামজেয়ে, লালহৌসে পুক থন্নব, লালহৌসে য়ুম্বান চাউখৎনব, মী খরদন মুংঙাইব খরতন্না পামজদ্রে।
(খুবাক, খরন খাম্মি)

হামেং: — সাধু সাবধান! (ময়াম্না "গী")
ফিংগংপ য়াত্রিকো — "গী"
পুক থন্ত্রা হায়ববু গুসী চানিকো — "গী"
লাম্বা চাদন লান য়ান্নব কন্তেকো —'গী"
মুংশিরব নবুক থন্দব ইচা ইনাওশা!
হুজিক ঐখোয়ন ইবুক থন্নব, হকচাংদ মতিক চাব চৌপ্পাক পীনব পাম্বে অরাইব হায়ববু ঐখোয়গি অরাংভম কম্মিব মন্ত্রী, মীয়ামগি মীছুৎ শাবশিং মখোয়বু মবুক শেংহল্লগ নিংখিন য়েংহল্লগ ইবুক থন্নব হায় হোৎনব তারে। মসি য়ানিংলত্রাও?

[illegible]:— মখোয়না মবুক শেংঙী, পোং [illegible] [illegible] মখোয়বু লৌখোকপ কোইন নত্রগ লৌয় [illegible] পাম্বেনা। লাইরৈবাকদি বৈকুণ্ঠপুরগি য়ুবাদ [illegible] শেংপ

চাব কোয়নন মতিক চান প্নীরকমানে খল্লি। অদুবু মবুক শেংদব মঙুৎলোংব অয়াংভমশিংন ভাব তাহজে ঐখোয়বু। মসি ঐখোয় খাংহুন নৈরসুস্নি —মিকপ থোক্লসে জগলগি জীব মানব ইচিন্নাওশা! (খুবাক)

পিকিঃ — নিংথিন কজন ওাংনরগ পুক থন্নব মীচং মীখায় নায়দন য়েল্লু য়াদ্রবদি মিস্টর তোকপগ ঐগ ভোজগে—ঐখোয়গ মরূপ ওইসি। ঐখোয় ভাব তাহনগে।

হামেংসুঃ— গণতন্ত্র হায়বসিন পার্টি লিংউ খুৎ কল্লু হায়রি। মন্ত্রী কাব পার্টিন পার্টিগি মীচং হেক্ক চংব তাবনে। মরম অসিন গণতন্ত্র হায়বসি— মীচং নাইব নৈত্তাক পথাপ্নি। গণতন্ত্রগি মথাদ মীচং নাইদব চাকয়েন শেনয়েন কৈদৌঙ্গেদ শেংনবিরোই।

তেনব্বা :— মীচং নাইয়ু খুৎ কল্লু হায়ব গণতন্ত্রদা মীচম ঐখোয়ন ইকেলিটি, ফ্রেটরনিটি এণ্ড জষ্টিস— মায়ব ইচিন্নাও ওইব অমদি বিচার অচুম্ব থিরিবসিবু মওদ মঙ্গা তানব নত্রা? গণতন্ত্র লৈরিবমখৈদি বৈকুণ্ঠপুর বাসী —ইচিন্নাওশি', ঐখোক চেগুনী-খুজাই থাদোকপ য়ারোইদৌরি 'ভিক্ষা দেও নগরবাসী", —"নামৈব পরমং ধর্ম্ম, নামৈব পরমং তপ:" পুক থন্নগ নাম হাদুন মতম লেনবিয়ো। (খুবাক)

য়াও :— নাম চাহুন পুক থন্দোবগি শরুক, গুনী চারগ চা, চাক ওাগ চারগ চা— খুৎলাই পায়সে নিপা খোজন,

মরূপ করব লৈয়ে, ঐখোয়গি মীচং ওইবিয়ু য়াব।

হামেংপাঃ—শান্তি, মতম থরদং য়েংখিসি অয়াংভমগ উয়রগ পোৎয়েন শেনয়েন কমদৌদগে হংখিসি হায়। য়াদ য়াত্রগ পুক থন্দন লৈবদি য়াদবনিন নহারোলন পান্ন তৌজয়ব হায়বত্রনি। করি হায়বগে ময়াম্বো ?

মীয়াম :— য়াজয়ে, য়াজয়ে !

(লাপ্লপ্ন লাই পুবগি কাংশি য়ৈব মখোল তায় অত্থদগি ঈশৈ অমন হল্লগ খুম, য়ামতাল খিংহুন তান থাব)

কাং কাং, কাং কাং। (কংসী)

নমো নমো গণদেবী, গণেশ ঠাকুরাণী—

নমো নমস্তে গণতন্ত্র দেবী।

খুরুমজৈ ইমা মীয়াম লাইরেম্মা,

লোইবা কৈলাস ওংলবী।

জৈ জৈ খুরুমজৈ ইমা গণদেবী,

লাইয় কয়াগি নীংজভম পীনবী।

(লাওরগ — ময়াম্ন খুম্ন)

জৈ জৈ গণদেবীগি — জৈ।

গণেশ ঠাকুরাণীগি — জৈ!

গণতন্ত্র দেবীগি — জৈ।

ওইদ ভোটয় লীষ্ট অশাংব, য়েত্ত নোট চবুন, শারী শেৎপী, অনোক উপ্পী। য়েনোট খোক্ত অচোবদ তোং-হল্লগ কোয়েৎ অঙাংব লাবোগ্গা চবু পুক্লগ গণদেবী পুরকই মীয়াম য়োমজন। মচি অমদ থাজন মীয়াম তিন্নথমু হৌপৎলপ পুক্টৈ। নৈ পান্নেং কাঁয়াপুক শিরজে,

দেবীহু—ধুপ থাই, থাংগৈ থাল্লি, হৈরুক, সিন্দুর কৎলি, নাত্রং অমদি কাওজাইক্লংন— কনাগুম্বন শেল কৎপ য়াওই। য়েক্কীন পুলিশ আকিসারগি পোযাক শেৎলগ বেট অম পায়. উপদেব অমদি দেবদূত কুহুম য়েংই হায়রগি পোযাক শেৎতুন। বর্ত্তি ৫ চুথংলগ য়েনবা মিয়ান মুল্লীমগি পোযাক্ত আরাত্তি কৎলি দেবীদ। পুংয়েব ঈশৈ শকপশিংন রামতাল খিংতুন ঈশৈ শকই, ময়াম খুম্নি। খুংগেকপীন ঈশৈ খুম্নি মরু ওইন।

খুরুমজে ইমা গণদেবী,
লৈবাক মীয়াম পাম্নবী;
লোইবী কৈলাশ থাদোক্লম,
লৈবাক লৈবাক্ত কোয়রবী;
য়েরুমগি ফিগে থোল্লিবী,
আনোক্ত লৈচীন উপলিবী;
বেল্লোট উপুদ শাদোংবী,
মীয়াম ভোং ভোং ইন্নবা;
ভোটর লিচুন ওইদ পায়,
লোটকি চেন য়েংত উৎ;
মমু লাইবক লংহলবী,
মীচম মন্ত্রী কাহলবী;
চাক, ললকুবিরম্নুকো,
চয়া অনীদং শোইবিমু;
খুরুমজে ইমা গণদেবী
শেজাওগি মতোন ওইগনবী।
(আরাত্তিগ লোইমিয়ে ময়াম খুরুয়ে)

[অঙাওবীন গণদেবীবু পাম্নতুন মনাক নক্ক পাম্ন য়েংই খাবগ তোকই, অমুক হেক্ত পাম্নতুন য়েংই]

য়েনবা, কাওজাইরুংন বালভূক য়েল্লি, নাত্রংন মীম্নামগি লাইবক্ত সিন্দুম্ন নম্মি, য়াওমচা, আমেদাণী, পিকিংকৈ, পাকতোকপদি বালভূক চাও য়াদে সিন্দুম্ন নমগে য়াদে। অতৈদি চাম্ন নমহল্লি।

হামেংপ':—বালভূক্তি লাংরি অরাংবুয়েনশা, গণভূকপু করম করম্ন য়েনগ্রবগে? মরোলদু মীম্নামদ অমুক্ত লাও-থোকউ।

য়েনব':— হুজিবমক মিটিং অম তৌদৌরি হামেংপা, মগুদ গণভূক হায়বদি লৈবাক্তি পোংচৈ শেলথুম করম্ন য়েম্থোকহিবগে হায়বত্তু লাওথোক্কনি।

হামেংপাঃ— পোংয়েন শেলয়েন যজ্জদ্রবদি ঐথোম্নদি ম্নারোই নিংঙাই তৌনিকো।

য়েনবা:— হজন য়েঙ্গুরবনি, মীশক খঙন। ইচিম্নাও ঐথোম্ন চাম্নসে তা-হামেংপ', ঐথোম্ন পংফং মত্তব মী নত্তেদা।

নাত্রং:— লৈবাক মচাশা মিটিং হৌনব তৌসে। মম্নাম কোই-শিন্দুনে কস্থিয়ে।

কাও:— ঙসি ফমগদৌরিব সরকার অমদি প্রজাশিংগি অপুনব মিটিং অসিদ বৈষ্ণবপুর লাকপা শ্রীউপদেববু সভাপতিগি আসন লৌবিনব য়া হৌদোকচরি।

দেবদূত:— য়াকম অত্তু ঐন শোৌপৎচরে।

ময়ায় খুবাক খুই, থারিব চৌকিদ উপদেব কন্দ্রি।
য়েনবান মিটিংগি এজেন্দা শাবশিল্লি। দেবদূতন মিটিং চথনব লংজিন পায়।

দেবদূতঃ— সভাপতিন পান্বিব মতুং ইন্না, ইহাব হানবমক্তদ শ্রী শ্রীগণদেবীন ব্রা থরদং ঙাংবিনি।

:— সভাপতি, মাইকৈ অসোম ঙাকপ উপদেব, অমদি গণতন্ত্রদ ভক্তি লৈব বৈষ্ণবপুরগি মুংশিরব প্রজাশা! ঐহাক কৈলাশত ওংউব মৌনি, ভূতনাথ মহাদেবগি মজাইবুংঙো গণপতি শ্রীগণেশঠাকুরগি ইমুংনি। পৃথি-বীগি মফম কয়াদ লৈবাক ঙাকপশিংন ওৎ-নৈবদ মীয়াম প্রজাশিং পেমত্রে, মথোয়গি মনীং থুংনব মীচম্ন নফম চাউব য়ানব অনৌব লৈঙাকলোন গণতন্ত্র হায়বত্থু শন্দোকউনব ঐখোয়গি ঠাকুরন মর্ত্তলোক্ত ঐবু থারক-পনি। অনিং অনিংবদ থৌব নিংথৌশিংন লান থেংনরকপদ মথব্রাই মাংব নত্রগ শাধীন শোক্তুন অব্রাব নংবদি লাইরব মীয়াম প্রজানি। মীয়াম্বু কন্নব মীয়াম্বু শেমগৎনব ইংলণ্ড, ফ্রান্স, আমেরিকানচিংব অয়াম্ব লৈবাক্তস্থ ঐহাক্পু থাজনরবনি। চীন, রুশনচিংব কম্যুনিজম পাম্ব লৈবাক্ত, দিক্টেটরসিপ পাম্ব পাকিস্তান, ইউনিয়ন ওফ সাউথ আফ্রিকা নচিংবদস্থ গণতন্ত্রগি মিংদ প্রজাবু ঙাকই। মরম অসিন বৈষ্ণবপুরগি প্রজাশা গণদেবী ঐবু থাজবিয়্, জাতীয় একটা লৈরগ

অরা অনং কোকপিনি, নোংম নোংমগি থুমিন্ন চাউবগুম চাউখংলক্কনি। ঐগিদি সিন লোইরে।

উপ :— I don't come to rule you, dear Veisnabpuris You are governed by your People your representatives— as I told you the other day. ঐদি বৈষ্ণবপুরী খিত্তং হৈরে, শাওবিগন্থু।

দেব :— ঐ নখোয়বু ঙাকপ লাকপ নত্তে, মুংশিরব বৈষ্ণবপুরীশা, নখোয়গি মীন, মীহুৎন নখোয়বু ঙাকপনি, ঐন নহান নোংম হায়খিব অদুনি।

উপ :— The fate of your land is in the hand of your honourable ministers. My self or my Lords in the Keilas Mountain cannot be directly responsible for any wrong done by some of your people for all the people of the land.

দেব :— নখোয়গি লৈবাক্কি নরাইবক্কি নখোয়গি ইকাইখুম্নরব মন্ত্রীশিংগি মথুক্ত লৈরবনি। ঐ ইশামক নত্রগ কৈলাশ চীংদ লৈহৌব মশুঙ ইংঙোশিংন হকথেংনন দায়ী লোব ঙম্মোই, নখোয়গি মী খরন লৈবাক মীয়ামগি করি-গুম্ব অরানব থবক তৌরবদি।

তেমবা :— Then why do you come here at all, Sir ?

উপ :— I am the guardian of National integration. I do come here, miss X, to teach you

the practices of democracy and to prevent you all from playing with fire.

দেব :— ঐহাক জাতীয় একটা সেন্নবা নিপানি। ঐ সিদ লাকপনি, ইবেম্ম মুপীমচা, গণতন্ত্রগি খুৎচং তম্বিনব অমদি নখোয় পূম্বু মৈ পায়দুন শান্নবদগি খিংনব।

তেনবা :— Your Excellency, Are we little children in your eyes, learning the A. B. C. and fire works of democracy?

উপ :— Yes, it seems so.

দেব :— উম, অভাং ওইন উরি, গণতন্ত্রগি অহানব পারা তম্মিব।

তেনবা :— When will you use a good glass?

উপ :— When the doctor at Keilas advises to do so.

দেব :— কৈলাসকি ডাক্তরন আনোক শিজিন্নো হায়রব কাদদ উপকনি।

হামেংম্নু:— কৈলাসকি ডাক্তর বাবুদুবু মমিৎ পান্নিব্রা। হংউনে মুপীমচা অমুক্ত?

তেনবা :— Has the Doctor Babu at Keilas eyes that can see?

উপ :— Yes, no doubt. চিংবেগম্নু।

হামেংম্নু:— ডাক্তরগি মমিৎ পান্নি পান্দে য়েংনব মাগি অকব আনোক লৈত্রা হংউ। লৈত্রগ বৈষ্ণবপুরদগি আনোক পুখো হায়য়।

য়েনবা :— থোগল্লোল কায়নন্নুসে লৈবাকমচাশা।

হামেংগ্লু:— ঐঙোন্দ থোগল্লোল তম্বিরিত্রা ? য়ারী শাবদ য়েফ্রীগি
 হুইশল খোংলক্কনু।

য়েনবা :— নত্তে, শাংদি শাওবিম্নু ইন্দোল

উপ :— What does she say ?

হেনবা:— The lady wants to know if your Excellency has a pair of good glasses to see if the Doctor at Keilas has eyes. If you have none, you please have one from Veisnabpur, she says.

উপ :— That will not help matters, ladies and gentlemen. Learn to be content as true veisnabas and have faith in Ganadevi.

দেব :— মতুন কাম্নরোই, কৈলাসকি ডাক্তরদি মমিৎ উইশিন্নবনু উং, মমিং পান্দ্রবনু উই। ইবুংঙো ইবেম্মশিং, পেনব তম্মিয়ু অশেংব বৈষ্ণবশিংগুম অমম্নুং গণদেবীদ থাজবিয়ু

তথৈলঃ—| সভাপতি, অমদি বৈষ্ণবপুরগি জীবপূন্নমক অরাপ্প কৈলাস দেশকি রা নৈনরুত্তুন কাম্নদে, ইমিং থুব ইখোঙ হেনব ঐখোয়ন; হুজিক গণতন্ত্রগি পূজারী ওনরেবগ য়েনবা মিয়া ওনরেবগ কাওচাইরুং অমদি ওনরেবল নাত্রং খোয়ন, গণভূক হারবদি লৈবাকি শেংন-চানব, য়ুম্বান ফগৎনব মচাকশিংন্থু করম করম কনা কনাদ মতো করম্ন য়েনবিরবগে, অমুক্ত-না ওথোকপীয়ো।

কিগ্রবগে ? ইমাংদ অহনবীগি মচাশিংন হাওন হাওন চারগ ঐ:খোয়ন চগৌ য়েংহুন ভীন্দ য়োংত্তুব লৈবসিবু ভীন কংবিদ্রিব্রাও ? জাতীয় একটাগি অর্থবু চরা হেনব্রাও ?

যাঁও :— পুক থল্লোইদব, কি শেংপ কংলোইদব, য়ুম নোং য়ুদোব ওইরবদি গণতন্ত্রসি ভোক্লসে, গণদেবীবু থুরুম্ব অমদি থাজবগি করি কাম্নরিবগে ? হয়েং মপোক্ক চরা অহুম নোংমদ চাদৌ শরুক হন্দক মপোক্ক চরা অনী চাব ফংনব পাম্বে খিসে। তোঙাম চারসে ।

হামেংপা:— শান্তি নহারোল, হিংসাগি থবক্ক মতম কুইন পুক থনব য়ারোই। গণতন্ত্রদ গণদেবীদ তাম্নবন কাম্নরোই। গণদেবীগি পূজারী, পোংচৈ দক্ষিণা য়েল্লিব অরাংভম ক্রত্তবননে। অরাংভম হোংসে।

দেব :— আইন কাম্বব থবক ভৌবিনু, হৌজিক অরাংভম কম্বিদ কাংবুসি বৈষ্ণবপুরগি মীয়াম্ন থল্লকপনি। অমুক থন-খিবন চহি ৫ দি চৎকদবনি মতিকপু মশীংশুন লৈজরিব মথৈ।

হেৌদোং:— বৈষ্ণবপুরদ হৌজিক চরা অনী নোংমদ য়ান ফংলিব কাংবুসি মশীং য়াম্ব থুৎকনব ক্লাংবুন নোংমদ চরা অহুমক চায় হায়দুন ভোট পীনবদ ওম্মগ চদৎনবশিংদু মবুক থঙৎকব্রাও ? গণতন্ত্রদ মশীংগি মিত্রংসি অপুনবু মীয়ামগি মথিংত উথুল চাইসিনবনি। চরা হৈলহনা

গণতন্ত্র বৈষ্ণবপুরন পামদে। (ময়াম খুবাক)

য়াও :— পার্টি হিংনব পার্টিদ য়াওদবশিংবু ওৎপ গণতন্ত্র কনা কনা পাস্বিবগে ?

ময়াম :— কনামত পামদে।

য়াও :— চরা হেলহনব গণতন্ত্রদ বৈষ্ণবপুর যোম্বোক্কুন মীনাই ওইব কনা কনা পাস্বিবগে ?

ময়াম :— কনামত পামদে।

তেনব্রা :— গণতন্ত্রগি পার্টি অমদ য়াওব মী ওরন দুংগোইব অরেম্ব মীয়াম্ব উনা অকংব শায়হুন থাংল কনা কনা পাস্বিবগে ?

ময়াম :— কনামত পামদে। (লাংবৈ, তাংবৈ)

চেক্কী :— (পুলিশ ২মু) গৌ-গৌ, গৌ-গৌ! ময়াম অমুক্ত তপথবিথো, নত্রবদি কনরোই।

(পুলিশ অনী মুংশা থবেৎ থবেৎ হোন্দুন চেক্কই পাউ তম্মে উপদেব অমদি দেবদুত্ত। ময়াম তুমিন্ন তায়।)

পুলিশ ১ :—লোইরে, অমুক্কোইব লোইহোরে।

২ :—কায়রে, তোইরে, লোইরে।

দেব :— করি কায়রে, করি তোয়রে, করিনো লোইরিববো ?

পুলি ১ :— থোঙ কল্ল তেকলে, টেলিফোন তারা তৎলে, খৈদেম কায়রে।

পুলি ২ :— দোকান্দ লুট চংলে, আফিস চেকৈ চংরে, বেঙ্কতগি শেল লাকখ্রে, মুনখ্রে, লম্বীদ লুট-প্যাট।

দেব :— অশুকপ থোৗদোক কয়া! ম্রেকী ; লাও চৎসি, সহর কয়ব তৌরুসি।

উপ :— শুসিগি মিটিংসি লোইরব ওইসি।

(হৌগৎতুন উপদেব চৎশি, দেবদূত, গণদেবী—ইম্নখি।)

য়েনব :— লৈবাক মচাশা শুসিগি মিটিংসি মুন্নাইদ লোইজরে। ইংন অপ্ন কাংনরসি, মীয়ামগি নীংব থুংনবা তৌজনি। কোম্ন ইংন খন্নসি অমুক।

আমে :— মিটিং তৌখিনি, লোইদ্রি, পুক থম্নব ব্না শুংনখিনি।

শ্নাও :— মী কায়বিখিন্নু লৈবাক মচাশা —মিটিং লোইদ্রি, মিটিং চথখিনি। ওনবেবল য়েনবা মিয়াবু শাংথরিব মিটিংসিগি সভাপতি হাপচরে।

আমে :— ঐনা সমর্থন তৌজরে। (ময়াম্ন থুবাক)

য়েনবা :— (তম্ন তম্ন চৌকিদ ফম্মে) ব্রাদি ব্রারৌবিনু, বৈষ্ণবপুরগি প্রজাশিং। হুজিক হুজিক সহরদ ব্নাথোক লাম্হোক, আইন শিংনব থবক কয়া চথরে হায়ব তারবন পুক্লিংসি লাংতরুরে, মিটিংসি পংকুই কুইরনুসি, মরু ওইব ব্না খরদমক খন্নরসি।

আমেদালী অমসুং ব্নাওমচা পিকিংকৈ অমদি পাকতোকপদগি পিস্তোল লোম্ন লৌরগ থোকখি।)

[পুলিশ ২ চৎল্লে, ২ লৈহৌরি, ম্রেকীসু অমুক লাকই, মল্লী অহম্নু শেম্নরৈ।]

ইরোই:—অওবশিংদ হংজনীংবদি, ইলেক্সন্দ কারকপ কনাগুম্ব নিপা

নত্রগ সুপীন মাগি মাগি পার্টি নত্রগ লৈকমন্ত্রুগিদ কনব তোগত্রা ? শেল পীজদব মী অত্তৈবুদি য়েক্লব ওইন উবিগত্রা ?

য়েনবা :— উকম থোক্তে, লৈবাক প্রজা পুম্বগি মীহুৎ ওইন পুন্নমকপু মান্নব মিৎয়েংন য়েংগদবনি।

তেনবাঃ— ইবুংঙোশিংবু মিৎয়েংদুন মীয়াম্বু য়েংবিত্রাও ? অদোমগি পার্টিবু নত্রবদি শেলবু পীজত্রবদি থবক কংব ওইজ ওইথক কংব লৈতে হায়নরিবসি অয়ানত্রাও ?

য়েনব. :— থর চুম্ব থর লানব হায়বত্রুনি মীন ওাংনব য়াসিদি। মীয়াম্ন শেল চাবিয়ু চাবিয়ু হায়ত্রুন ইন্নরবদি অঙম্বশিংস্থ চীন্দি পান্নিবনিন থর ময়োংলে। লৈবাক লৈবাক্তুগি হার, চুমুংশিং মুংশা মতুংইন্ন লমন্ত্রুদ হৌব অঙম অথোস্থ অত্থম মওইয়ে। ঐথোয়দ ওাক্ত তায়নশিব চুমদে।

হৌদোংঃ— মীয়াম কত্তবন অঙম্বশিংস্থ কত্তবনি অসি নত্রাও ?

নাত্রং :— মন্থু মশান তাবনি।

হৌদোংঃ— অঙম্বশিংন কত্তুন মীয়াম্ন কত্তবদি ওইব য়াত্রাও ? ঐগি মোত্তি, মীথলদ কাব মীহুৎশাব ইবুংঙো ইবেম্মশিংন শেঙ্গা থুমজা য়াওত্তবদি মথো কাওব তৌনত্রে খল্লি। মসিবু লানত্রাও ?

নাত্রং :— য়েরুমগ য়েনবীগ কনান হায় লৈরম্বগে হায়ব য়াহংদুন তারে, মন্থুদি। থাইনা নিংথৌ পান্নিতুদপি চৎনরকপ ; কা মতপ অমন চীন পৈব হায়বন্থু মুৎপ য়াবনি।

কাও :— মরৈ য়েৎনরগ ইচিন্নাও ঐখোয় মুংশিনদব হেক্কৎনবনি। মত্থুগি শরুক মন্নামগি কনব মথং মথং তৌজরকে, ফিংগৎপিখিন্নু। নংন লৈরম্মব লৈবাক্কিন মিত্রংশুন্ন নোংম নিনীদ হেক অন্নাব পূম্ব কোকহনব ওমদে। ঐখোয় মশেন মুংঙাইনদবদগি জাতীয় একটাদ কায়-রকপ য়াই, নিংঙাই কত্তব নহারোলশিংন মৈ পায়হুন শান্নবদগি মখুৎ পোকপ য়াই, মমাইদু মৈন চাকপ য়াই। থন্ন ঙাইবিখো —মীয়ামগি নীংব থুংনব তৌজ-রকে। ঐখোয়ন য়েনব ওম্ব ইখুৎত লৈরিব লম্বুম পোৎচৈশিংদু য়ামদবনঁ নীংব চপ চান থুংবিদবদি য়াইকে।।

হামেংন্নুঃ— ইবুংঙো অঙম্বখোয় অয়াম্ব পামজদে, পুক্ক থলহনবিয়ো —নোংমদ চন্না অনী।

কাও :— থল্লকনি ইমা। পুক্কিং তপ্লিয়্যু।

